## ইম্ফাল ইষ্টতা অথিংবা থমখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জগা পুম্বা (জিরিবাম সব দিভিজন য়াওনা) হৌখিবা তাং ৩ অয়ুক পুং ৬ তগী থা অসিগী তাং ২৮ গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা সি আর পি সিগী সেক্সন ১৪৪ সব সেক্সন ২গী মখাদা মীওই ৫ নৎত্রগা ৫ দগী হেন্না পুনবা অমদি চৈ নুঙ নোংমৈ অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলাইনচিংবা পুদুনা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে। মসিগী মরিদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্ট আর কে দিনেস সিংহনা হৌখিবা তাং অমদা ওর্দর অমা থোকখ্রে হায়রি।

## ফ্রি কোচিং লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* থিয়াম কোঞ্জিন জুনিয়ার হায়স্কুলদা ৱিন্টর ভেকেসনগা মরি লৈননা চথরকপা ইংলিস সবজেক্টখক্কী ওইবা ফ্রি কোচিং কেম্প ঙসি লোইশিনখ্রে।

সোসিয়েল ৱেলফেয়ার এদুকেসনেল এন্দ কলচরেল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি চনম সনায়াইমনা হায়, মমাং থা জনুৱারি তাং ৫ দগী চথরকখিবা ফ্রি কোচিং কেম্প অদু চনম সন্দ্রোক্তগী সোসিয়েল ৱার্কর থোংগ্রাম ওপেন সিংহনা স্পোন্সর তৌবনি। বেটচ অনি থোক্লা খায়দোক্তুনা চথখিবা কোচিং কেম্প অদুদা ক্লাস ৱান দগী ফাইব অমদি সিক্সতগী টেন ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় ২০০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

## লুইঙাইনি মেলা পাঙথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* লুই–ঙাই–নি কুম্মৈগা মরি লৈননা লাক্লিবা তাং ৮ দগী ১৪ ফাওবা থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দ মনাক্তা লৈবা মৈস্নাম লৈকায় দিভলপমেন্ট কম্যুনিটি হোলদা লুইঙাইনি মেলা পাঙথোক্কদৌরি।

ভারত সরকারগী দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দলুম)না স্পোন্সর তৌরগা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা মেলা অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা অচম্বা চেদা ইবা দরখাষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসতা পীশিনবা য়াগনি হায়রি। পি দব্লিউ সি এস, এন জি ওশিং, এপেক্স সোসাইটি, ষ্টেট হেন্দলুম কোরপোরেসন, এস ঐচ জিগুম্বা ওর্গনাইজেসনশিংনা মেলা অসিদা য়াওবা য়াগনি হায়রি।

# এইদস কন্ট্রোল ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না তাল্লিবা দাবীশিং মরম চাই – ইবোহলবী

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* ওল ইন্দিয়া এইদস কন্ট্রোল ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না লৈবাক শীনবা থুংনা খোঙজং চথদুনা তাল্লিবা দাবীশিং অসি মরম চাই হায়না ওপোজিসন ত্রিনামুল কংগ্রেসকী ডাক্তর আই ইবোহলবীনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক শীনবা থুংনা চথরিবা খোঙজং অসিগী মনুং চন্না মনিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্নসু লম্ফেল পাৎতা লৈবা মেক্সকী কেম্পসতা সিট ইন প্রোটেষ্ট চথদুনা লাক্লি। ঙসি মেক্সকী ইমপ্লোয়িশিংনা চথরিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ডাক্তর আই ইবোহলবী এম এল এসু ঙাইহাক য়াওরম্বগা লোয়ননা ইমপ্লোয়িশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখি। এসোসিয়েসন্না তাল্লিবা দাবীশিং অসি অচুম্বা অমসুং মরম চাবা ঙাক্তনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মেক্সকী প্রোজেক্ট দিরেক্তরনা ষ্টেটকী চিফ মিনিষ্টর অমদি হেলৎঠ মিনিষ্টরদা মতম চানা খঙহন্দবদগী সরকারনা দিমান্দশিং অসিদা দিলে তৌদুনা থম্বা ওইগনি নিংই। ৱাফম অসিগী মতাংদা দরকার লৈরবদি হন্দক ফেব্রুৱারি তাং ২৪ দগী হৌগদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীফমদা পুথোক্তুনা খঙহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু ইমপ্লোয়িশিংদা থাজবা পীখি।

মরক অসিদা এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাঙবু অমনা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহদা মখোয়গী দাবীশিং অদু য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু হান্নবা পীশিনখ্রবনি। ওল ইন্দিয়া এইদস কন্ট্রোল ইমপ্লোয়িজ এসোসিয়েসন্না তাল্লিবা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ৭ অদুদি দিপার্টমেন্ট ওফ এইদস কন্ট্রোল (নেসনেল এইদস কন্ট্রোল ওর্গ্নাইজেসন, ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি অমসুং মসিগা মরি লৈনবা য়ুনিটশিং)গী মখাদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ি খুদিংমক রিগুলরাইজ তৌগদবনি, রিগুলরাইজ তৌদ্রিবফাওবা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়িশিংনা ফংলিবা তলব অমসুং অতৈ বেনিফিটশিং (পি এফ, দি এ, মেটরনিটি লিফ, পেটরনিটি লিফ, মেদিকেল বেনিফিট, রিস্ক এলাউৱেন্স অসিনচিংবা) পীগদবনি, নেসনেল এইদস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন এ সি পি)–ফেজ–৩ চপ চানা ২০১২ এপ্রিলদা লোয়খিবা অমদি ফেজ–৪ হৌবনা মরম ওইদুনা হায়রিবা মতম অসিদগী রিভাইস সেলরি থবক্তা ওন্থোক্কদবনি, পোষ্ট অমত্তা লৌথোকপা নৎত্রগা মাংহনবা তৌদনা মথংগী ফেজদা ইমপ্লোয়ি পুম্নমক মখা তানা অদুমক লৈহনগদবনি অমসুং মর্জ তৌগদবনি, পোলিসি মেকিং বোদি ওইরিবা দি এ সি দা ওল ইন্দিয়া এইদস কন্ট্রোল ইমপ্লোয়ি এসোসিয়েসনগী মীহুৎ ২ মেম্বর ওইনা হাপকদবনি, জনুৱারি ৯, ২০১৪ দা দি এ সিনা থোকখিবা অনৌবা সেলরিগী ওর্দর নম্বর এ–১১০১১/২৩/২০১৩–দি এ সি (ঐচ আর) খুদক্তা হন্দোক্কদবনি অমসুং অনৌবা সেলরি অসি শেম শাবা মতমদা বেসিস অমত্তা য়াওখিদে। অদুনা মতিক চাদবা অমদি মথৌ খঙদবা ইমপ্লোয়িশিং টর্মিনেট তৌগদবনি হায়বা অসিনি।



ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরাও লিতান মখোঙদা লৈবা ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবা সস্পেন্সন থোংগী হৌজিক ওইরিবা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা ফিভম

## শুদা লৈরিবা খরনা শেন্দান লন্বী চথরে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন (শু)দা লৈরিবা মীওই খরনা অতোপ্পা লুপকী মীং শিজিন্নদুনা শেন্দান লন্বী ওইনা চথরে হায়বা মতম কয়া চংনা থিদোকপদগী খঙবা ঙম্লে।

আইন্না থিংখ্রবা লুপ কে সি পি (এমসি) গী কামান্দর ইন চিফ লময়ানবা খুমন অমদি পব্লিসিটি সেক্রেটরি চিংলেনসন্না মঙাংনা পুন্না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবদি মতম অমদা নিংতম্বা পুরক্কনি হায়না মথৌ পোঙনা লাউরম্বা লানফম কয়াদা শরুক য়ারম্বশিংনা সরেন্দরি প্রোগ্রামদা য়াউদুনা পৈশাগী খাউদা ইরাক্লখ্রবা মতুংদা নিংতম লান্মীশিংবু য়েক্লবগী খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরকপা অমদি ইন্দিয়ান আর্মিগী এজেন্ট ওইনা লৈরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

মতম কয়া চংনা থিগৎলবা মতুংদা মীওই খরনা লুপকী মীং শিজিন্নদুনা শেন্দান লন্বী চথরে হায়বা খঙবা ঙম্লে। হায়রিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা লাইরেনকাবী সবল লৈকাইদা লৈবা ৱারেপ্পম বসন (কোরৌ, অমুবা) অপোকপা অপাবীসু অমনি। মখোয়না শীজিন্নরিবা ফোন নম্বরনা ৮১১৯৯৪৭১১৫ একাউন্ট নম্বরনা ৩২২৪৬৩৮০২০১ এস বি আই নি হায়রি। মখোয়না লুপ অসিগী মীং শিজিন্নদুনা খোমগৎলম্বা মীওই অদুনা জগৎ সিংহ রাথোৎ চীংমৈরোংনি। লোকেন কৌবা খুরাইদগী মীওই অমগী খুথাংদা পৈশা খোমগৎলি হায়বা খঙলে। অদুনা মীওইশিং অসিদগী মীয়াম্না লাপ্পা লৈবিয়ু হায়রি।

## পেলেস কম্পাউন্দ ৱেষ্টতা সিট ইন প্রোটেষ্ট চথখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* নুপী অমসুং অঙাংদা চথবা ক্রাইমগা মরি লৈনবা খুদিংমক্কী অচুম্বা অদু ফংহল্লু অমসুং লৈপাক অসিবু মেত্রোপোলিটান সিটিশিং মরুওইনা নেসনেল কেপিটেল দিল্লিদা রেসিজমগী মায়োক্তা চথরিবা খোঙজংদা শৌগৎপা উৎলদুনা ঙসি পেলেস কম্পাউন্দ ৱেষ্টতা সিট ইন প্রোটেষ্ট পাঙথোকখ্রে।

ৱুমেন্স এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (দব্লিয়ু এ দি) অমসুং অতৈ খুৎশম্নবা এন জি ও, সি বি ও, পি ও, অমসুং সভাইভর গ্রুপশিংগা শীন্দুনা চথখিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা মায়কৈ কয়াদগী নুপীশিংনা শরুক য়াখি। সিট ইন প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা অইবা কার্দ কয়াসু পায়খি। মদুদা ঐখোয় অচুম্বা পাম্মী, ফরিদাগী মপুরোইবা হফিজ সিরাজ শম্ষেল ময়াং ইম্ফাল খুদক্তা ফাগদবনি, রেপ তৌবা, হাৎপা, মাঙখিবা, ওৎপি নৈবিবনচিংবগী কেসকী মতাংদা কুপ্না থিজিনগদবনি অমসুং মরাল লৈবশিং ফাগদবনি হায়বা য়াওরি।

দব্লিউ এ দিগী সেক্রেটরিনা ফোঙদোরকখিবদা চৎলিবা চহি অসিগী থা ১ খরা হেল্লকপা অসিদা নুপী অমসুং অঙাংগী মায়োক্তা চথবা হিংসাগী থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি। হৌজিক ফাওবদা রেপ কেস ৬, হাৎপগী কেস ৭ ওৎপী নৈবীবগী কেস ৭ মশা মতোমতা শিজবনি হায়বা কেস ২ অমসুং মফম খঙদনা মাঙখিবগা মরি লৈনবা কেস ৮ লোম থোকখ্রে হায়খি।

## এন এস সি এন (আই এম)বু এ আরনা শৌগৎলি হায়না চার্জ তৌখ্রে

*ন্যুমাই ন্যুজ নেটৱার্ক*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ওইনামলোংদা ঙরাং থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা ১৬ অসাম রাইফলসনা এন এস সি এন (আই এম)গী কাদরশিংবু মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জে য়ু এফ)না চার্জ তৌখ্রে।

জেদ য়ু এফকী মতুং ইন্না ঙরাংগী ওইনামলোং ভিল্লেজ এটেক্ট অদুদা অসাম রাইফলসনা এন এস সি এন (আই এম)গী কাদর ২০ লোম চংজফম পীখি। মমাং চহিগী ওক্তোবরদা গদাই হিলসতা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদসু ১৬ অসাম রাইফলস কাঙবুনা এন এস সি এন (আই এম) কাদরশিংগী মায়কৈদা লেপখি হায়রি। ঙরাংগী থৌদোক অদুদা অশোক অপনদি য়াওখিদে। কামৈ পোষ্টতা লৈবা অসাম রাইফলসনা লো এন্দ ওর্দর মোনিটরিং তৌবদা য়াম্না মান্নদবা মীৎয়েং য়েংই। অসাম রাইফলসনা এন এস সি এন (আই এম)গী নাকন্দা লেপ্পা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবসু নত্তে, মমাংদসু কয়া থোকখ্রে। নোনে (লোংমাই পোষ্টতা লৈবা ১০ শুবা অসাম রাইফলসনসু মান্নবা মওংদা এন এস সি এন (আই এম) কাদরশিংবু ফ্রিদা থাদোকই হায়নসু মখোয়না চার্জ তৌখি।



কৈরাও লিতান মখোঙদা শাবা আর সি সি থোং অমা মথক হৈরকপদা নিংখায়রকপদগী শোক্লবা শিন্মী অমা জেনিমস হোস্পিটালদা পুরক্তুনা লায়কন্নখিবা

## ইন্টরনেস্নেল সেমিনারদা রিছোর্স পার্সন ওইনবা বার্তন তৌরক্লে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* লাক্লিবা তাং ৮ অমসুং ৯ দা কোলকতাদা পাঙথোক্কদবা ইন্টরনেস্নেল সেমিনার অমদা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ানবা ইন্দো ম্যানমার ফ্রেটর্নেল এলাইয়েন্স (আই এম এফ এ)কী প্রসিদেন্ট আর কে সিবচন্দ্রবু বার্তন তৌরক্লে।

আই এম এফ এগী সরত মাইবম্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইন্দো–ম্যানমার রিলেসন–এ ন্যু হোরাইজন হায়বা হিরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্টরনেস্নেল সেমিনার অসিদা আর সিবচন্দ্রনা ইন্দো ম্যানমার কলচরেল রিলেসন্সিপ হায়বা হিরমদা ৱা ঙাংগনি। সেমিনার অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী পব্লিক দিপ্লোমেসি দিভিজন অমসুং নেসনেল লাইব্রেরি অমদি এগজিম বেঙ্ককী মখাদা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল এন্দ কলচরেল ষ্টদিজনা শীনবনি। ম্যানমারদা লৈবা ইন্দিয়াগী এম্বেসেদর গৌতম মুখোপাধ্যাই, ইন্দিয়াদা লৈবা ম্যানমারগী এম্বেসেদর অউং খিন শো, মিনিষ্টর ফোরৱার্দ ক্লাস ৱেলফেয়ার ইউ এম বিশ্বাস, ম্যানমার আর্কিওলোজিকেল সর্ভেগী দি জি ওইরম্বা অমসুং হিষ্টোরিকেল রিছার্স কম্মিসন ওফ ম্যানমারগী মেম্বর ডাক্তর খিন মুং নাইয়ুকনচিংবা কয়াসু য়াওগনি। সেমিনার অসি য়াওরুনবগীদমক আর কে সিবচন্দ্র লাক্লিবা তাং ৭ তা ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি হায়রি।

## ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা চথরকপা স্ত্রাইক নুমিৎ ৪৯ নি শুরে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* ষ্টেট কেপিটেল ওইরিবা ইম্ফালগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ইমপ্লোয়িশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা অর্বান লোকেল বোদিশিংনা দাবী কয়া তান্দুনা চথরকখিবা থবক লেপ্পগী স্ত্রাইক ঙসি নুমিৎ ৪৯ নি শুখ্রে অদুবু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মহুদসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহনা ঙসি ফাওবা খঙজিন উশিন্নদনা লৈথোক্লি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লবকী ওদিটোরিয়মদা পাউমীশিংগা উনবদা জোইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি আই এম সিগী জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ চাউবা, ভাইস প্রসিদেন্ট ও দিনমনি অমসুং সেক্রেটরি পব্লিসিটি থৌদাম সোবিতা দেবীনা হায়, নুমিৎ ৪৯ নি চুপ্পা থবক লেপ্পগী খোঙজং চথরকখিবা অসিদা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমসুং সরকারগী মায়কৈদগী খঙজিন উশিন্নদনা লৈথোকপা অসি য়াম্না পেন্দে। মপি মপা ওইরিবা সরকারদা শিন্মীশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহন্নবা দাবী তৌবা হায়বসি তৌফম থোকপনি। জেনরেল সেক্রেটরি পিঐচ চাউবনা হায়, হান্নদগীসু তরুক শুবা পে কম্মিসন্না রিকমেন্দ তৌবা পে অর্বান লোকেল বোদিশিংগী ইমপ্লোয়িশিংদসু পীবিয়ু হায়জদুনা লাকখিবনি। অদুবু থবক ওইনা পাঙথোরক্তবদগী মখা তানা খোঙজং চথরকখিবদু ঙসিদি নুমিৎ ৪৯ নি শুরে। অদুবু মহুদ দিপার্টমেন্টসু পুরিবা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা খঙদবা শারদুনা তুমিন্না লৈশিনবা অসিদি পেন্দে অমসুং নুংঙাইতে।

মনিপুরদা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল পুন্না ৯ লৈরি। হায়রিবা কাউন্সিল ৯ অসিগী ইমপ্লোয়িশিংনা অমত্তা ওইনা খোঙজং অসি চংশিল্লিবনি। ইম্ফাল সহরদতা নত্তনা অতৈ অর্বান এরিয়াশিংদসু ইমপ্লোয়িশিংনা স্ত্রাইক চথখিবদগী খুদোংচাদবা কয়া মীয়াম্না মায়োক্লরি হায়বসি সরকার অসিনা খঙফম থোকই।

ভাইস প্রসিদেন্ট ও দিনমনিনা হায়, কাউন্সিলনা সরকারদা দাবী তানবা নত্তনা কনাদা তাল্লুগনি। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল পুম্নমক থবক লেপ্লে। তঙাই ফদনা স্কুলশিংদা অঙাংশিং মীং চন্নবা হোৎনবদা দরকার ওইবা বার্থ সার্টিফিকেট মতম চানা পীবা ঙমদবদা গার্জিয়ানশিংনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরি হায়খি।

পব্লিসিটি সেক্রেটরি থৌদাম সোবিতানা হায়, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ইগজিক্যুটিভ ওফিসার ওইনা দব্লিউ রাজেন কৌবা অমা দিপ্যুটেসনদা থাজিল্লক্তুনা শিন্মীশিংনা থেংনরিবা অৱা–অনা কয়া অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা কাং খোং চাইহল্লে। হৌজিক চংশিল্লিবা খোঙজং অসিগী ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্লবা হোৎনবনা অফবা ওইগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

## থোং শেমজিল্লু আর্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম মথৌ তৌহল্লু

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বি তেরাখা লাই সন্থোং মনিংদগী সেতুপুর ৱাটর সপ্লাই তাবা লন্বীগী অমত্তা ঙাইরবা খুগা তুরেল মথক্তা লৈবা বেল্লি ব্রিদজগী ফিভম হায়নিংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। অদুনা অথুবা মতমদা শেমজিল্লু। অদুগা কুম্বি আর্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম অথুবা মতমদা শঙ্গাদুনা মথৌ তৌহল্লু হায়না সেতুপুর য়ুথ ক্লবনা সরকার অমদি মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টতা আপিল তৌরি।

সেতুপুর য়ুথ ক্লব কুম্বিগী সেক্রেটরি এন অবুংনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তেরাখা লাই সন্থোং মনিংদগী সেতুপুর ৱাটর সপ্লাই তাবা লন্বীগী অমত্তা ঙাইরবা খুগা তুরেল মথক্তা লৈবা বেল্লি ব্রিদজগী ফিভম হায়নিংঙাই লৈতনা ফৎত্রে। অদুনা লন্বী অসিদা চৎলিবা মীয়ামদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। থোং অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা লোকেল এম এল এগী পুক্লিং চিংশিল্লি। মতম অমদা কুম্বি কৈথেল ময়াদা লৈবা থোংজাও অসি নন লাপসেবল সেন্ত্রেল পুলস ওফ রিছোর্সেসকী মখাদা শাখিবা মতমদা দাইভর্সন ওইনা খুগা তুরেল মথক্তা বেল্লি ব্রিদজ অসি শারম্বনি। হৌজিক্তি থোং অসি মীয়ামগী য়াম্না মরুওইবা ওইরে। সেতুপুরগী মীয়ামগীদা নত্তনা কুম্বী কেন্দ্রগী ৱাংমগী মীওই কয়াসু থোং অসিনা কান্নবা পীরি। অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা থোং অসি হৌজিক্তি ফিভম থিনা শোকচিনখিবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে অদুনা অথুবা মতমগী মনুংদা শেমজিন্নবা থৌরাং তৌবিয়ু হায়রি।

অতোপ্পা অমনা সেতুপুর চৈরাউ চিংখোংদা লৈবা কুম্বি হৱাইপোকপি রুরেল ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা মীয়ামদা থক্ল–চানবা ঈশিং মপুং ফানা পীবা ঙমদবদগী মমাংগী সরকারনা কুম্বী অর্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি শাখিবনি। অদুবু শাবা লোইরবা ফাওবা মতম শাংনা শঙ্গাবিদবনা স্কিম অসিগী কান্নবা অদু মীয়াম্না ফংবা ঙমদ্রি। হায়রিবা কুম্বি অর্বান ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি ইং ২০১১ দিসেম্বর তাং ২৬ তা শঙ্গারগনি হায়না থৌরাং পুম্বা লোইরুরবনি অদুবু ইলেক্সনগী মতম লাউথোকখিবদগী তোকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা শঙ্গানবগী থৌরাং লৌখৎলকপা উদ্রি। লমদমসিগী মীয়াম্না চান–থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোকহন্নবগীদমক অথুবা মতমগী মনুংদা লোকেল এম এল এ অমদি পব্লিক হেলৎঠ ইঞ্জিনিয়ারিং মিনিষ্টরগা তান্নদুনা ৱাটর সপ্লাই স্কিম অসি শঙ্গাদুনা মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

করিগুম্বা সরকারগী মায়কৈদগী অথুবদা মীৎয়েং চংদ্রগদি মীয়ামগা খুৎশম্নরগা মখল কয়াগী খোঙজং চথনবা শেম শারে হায়রদুনা কুম্বি কৈথেল ময়াগী শাবা লোইখ্রবা থোংজাওসু শঙ্গাদনা অদুম শীজিন্নখ্রে। অদুগা ইলেক্ট্রিসিটি সব দিভিজন ওফিস কুম্বিগী শঙসু শঙ্গাদনা অদুমক ঙসি ফাওবা লৈরি হায়রি।

## শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ ঙসি লোইশিল্লগনি , মনা ফংগদবশিংগী মিং লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা মমাং থাগী তাং ৩০ দগী হপ্তা কাংজৈবুংদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরকখিবা ১১ শুবা শুমাং লীলা নিংথম কুম্মৈ হয়েং লোইশিল্লগনি।

লোইশিনবগী থৌরমদা তোঙান তোঙানবা এৱার্দ কয়া পীগদৌরি। এৱার্দ ফংগদবশিংসু ঙসি লাউথোকখ্রে। মখোয় অদুদি পিছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী অরুনদা কেটৱান আইদিয়েল এৱার্দ অদুগা এসোসিয়েসন অসিগী দিপসন (পন্দুপ)তা কেটৱান পোপুলর এৱার্দ, নহারোল খোঙথাং আর্টিষ্টকী হৱাইবম বুদ্ধিদা ওঝা বোরি এৱার্দ, সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী এক্টর কম দিরেক্তর ওইনাম প্রফুলো চন্দ্রদা কে গোজেন এৱার্দ অদুগা নোর্থ ইম্ফাল মনিপুর যত্রা মন্দলগী ককচিং কোমোনদা পিদোনু এৱার্দ পীরগনি হায়রি।

তোঙান তোঙানবা শুমাং লীলা কাঙলুপ ১৩ না শরুক য়াদুনা চথখিবা নিংথম কুম্মৈ অসি হয়েং লোইশিনবা নুমিত্তা ইরমদম মনিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী নুংশিবগীদমক কৌবা লীলা অখন্নবা শো ওইনা উৎকনি হায়রি।

## এস এস এগী থবক পেন্নিংঙাই ওইদ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৫ঃ* থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা এস এস এগী থবক থৌরমশিং পেন্নিংঙাই ওইদ্রে হায়না স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মিনিষ্টর এম এল এশিং অমদি এস এস এগী ষ্টাফ খরগা মান্নরগা মীয়াম খঙলরোই মতাঙ্গম থবক কয়া তৌরে। খুল, লৈকাই খঙহন্দনা অমদি কম্যুনিটিগী মীহুৎ য়াওহন্দনা স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী কয়া শেমদুনা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর (দি পি এম) কন্ত্রেকচুয়েল ষ্টাফ অমদি দি আই, এ আই না জোইন্ট ওপরেটর তৌহল্লগা একাউন্ট হাংবনচিংবা তৌরে। অদুনা হুরান লান্নদা পৈশা কাইথোক্লবা হোৎনরে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা নৌনা শাগদৌরিবা প্রাইমারি স্কুলশিংগী শেনফম টেবলদা শেম্বা স্কুল মেনেজমেন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটিশিংদা শিন্নথোক্লবা হোৎনরে। অসিগুম্বা কয়া অসি মরি লৈনবা অৱাংবা থাক্কী কাঙবুনা য়েংশিনবিদুনা অরানবা তৌবশিং থিংবিয়ু অমসুং মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপিয়ু হায়রি।


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

**ফহনবা ঙমখ্রে**

না–তাদবা, নুংশা শোৱগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী ৱিতু কাইবা নৎত্রগা ফিডৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

**অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক**

করিগুম্না অদোম অঙাং পোক্ত্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউফম্ভদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কান্নরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্লিং চংখোল্লবা ইচানুপা ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাখ্নুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

**শ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা**

করিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, শ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

**উনশাগী লায়নাশিং**

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্ছু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

**লুহোংবগী পূক্নি নুংঙাইনা লেনবিয়ু**

**অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা**

করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফম্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হাম্বদা ফম্বী চৎপা, ফম্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফম্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

**য়েংবদা পূক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট**

করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীল্লবা নৎত্রগা চোম্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

**লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন**

করিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

**কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি**

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও–নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর/ য়ু থাদোক্কনি।

**অৰুম্বা হেনগৎহনবা**

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা/ নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তারবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অৰুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

**LOOSENESS OF PRIVATE PART**

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.



**Please Contact:-**
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

**য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্লবা**

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু



**ANGELS' COACHING CENTRE [ACC]**
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE CLASS II - X (BOSEM)
CBSE : REVISION COURSE, CLASS VIII TO ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS START ON 2nd JAN. 2014

OUR TOPPERS OF HSLC EXAM. 2013



1ST POSITION MIRANDA M. NIRMALABAS
3RD POSITION RATIMANJURI H. NIRMALABAS
5TH POSITION MIRANDA O. NIRMALABAS
6TH POSITION SYDENNY TH. LITTLE FLOWER
14TH POSITION VIVEK A. ST. JOSEPH
15TH POSITION REMA NAOREM NIRMALABAS
16TH POSITION SADA SALAM LITTLE FLOWER
16TH POSITION CHITRA KH. NIRMALABAS
22ND POSITION BIDYALAXMI S. LITTLE FLOWER
24TH POSITION JAYALUXMI NG. LITTLE FLOWER
24TH POSITION PRESCILA RK. NIRMALABAS

SUBJECT TOPPERS : MATHS : MIRANDA O., SYDENNY TH., REMA N., CHITRA KH., JAYALUXMI NG. ADDL. ENG. : BIDYALAXMI S.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Van Service upto 10km

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726